# আই এসকী ষ্ট্রোংহোল্ডদগী মীচম চা-কয়া চুঙ্গৈই ওইরম্বদগী থাদোকখ্রে



বৈরুট, ওগষ্ট ১৪ ঃ ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী জিহাদিষ্টশিংনা নোরদর্ন সিরিয়াদা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ড থাদোক্তুনা চেনবদা মখোয়না মীগী চুঙ্গৈইশিং ওইনা শিজিন্নখিবা মীচম চা কয়া থাদোকখ্রে, তৌইগুম্বসু থাদোকপদা য়াওরকখিদবা অতৈ মীওইশিংদুগী মরাইবক করি ওইখ্রবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

অতোপ্পা মায়কৈ অমদা থাংজ নুমিৎতা লানবুং ওল্লবা অলেপ্পো প্রোভিন্সতা রেবেলশিংনা সেলশিং কাপ্পদা অমসুং সিরিয়ন রেজিম অমসুং মসিগী মীচং ওইবা রসিয়নশিংনা এয়র রেইদশিং চথখিবদা মীচম কয়া শিখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখি।

অলেপ্পো সিটি অমসুং অকোয়বা খুঙ্গংগী লমশিংদা অঙাং মরি য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ৫১ শিখ্রে লোয়ননা অতোপ্পা মীচম ২২ না য়ুমথংনবা ইদলিব প্রোভিন্সতা শিখ্রে হায়না সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা অরোয়বদা লেমহৌরিবা আই এসকী ফাইটরশিংনা লানফমদা মায়থীরবা মতুংদা টর্কিগী বোর্দর মনাক্তা লৈবা মনবিজ সিটি থাদোক্তুনা চেন্নখিবা অদুনা এক্সট্রিমিষ্টশিং অদু ফীভম তারক্তরে হায়বা উৎলে হায়না পেন্টাগননা ফোঙদোকখি।

সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) হায়না খঙনবা য়ু এস এয়র পৱারনা শৌগৎপা আরব-কর্দিশ এল্লাইয়েন্স অদুগী মখুৎতা মায়থীদুনা জিহাদিষ্টশিংনা সিটি অদুদগী চেনখিবসি মখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা মায়থীবনি হায়না লৌনরি। সিটি অদু কুমজা ২০১৪ দা ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদুম চনখিবনি।

এস দি এফনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, ইরাই নুমিৎতা জিহাদিষ্টশিংনা সিটি অদুদগী চেনখিবা মতমদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীচম ২০০০ রোম পুখি। মখোয়না আই এসনা পায়শিল্লিবা ফ্রন্টিয়র টাউন জরাবুল্লস তম্না চেনবদুদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরক্তনবগীদমক্তা মীচমশিংদু পুখিবনি।

য়ামদ্রবদা মীফা খরা তুংদা থাদোকখি নৎত্রগা জিহাদিষ্টশিংদুগী মখুৎতগী নান্থোকখি তৌইগুম্বসুং লেমহৌ-রিবশিংদু কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বদি খঙদে হায়না এল্লাইয়েন্স অদুনা ফোঙদোকখি। 'মনবিজদা আই এসকী ফাইটরশিং অমত্তা লৈত্রে' হায়না এস দি এফকী মেম্বর অমনা হায়খি।

কর্দিশ টেলিভিজনগী ফুটেজদা মনবিজদা মীচম-মীয়ামশিংনা হরাউবগী শক্তমশিং উৎখি। মমা কয়ানা মমায়দা খুল্লিবা মায়খুমশিং হাইগৎখি অমসুং নুপীশিংনা কর্দিশ ফাইটরশিংবু কোনখি। নুপী অমনা জিহাদিষ্টশিংনা মীচম মীয়ামদা নমদুনা মশাদা থোংহনখিবা অমুবা ফিজোল অমা মৈ থাখি। চয়োল কয়া কৌই ককপগী অথিংবা মখাদা লৈরকখিবা নুপা কয়ানা মখোয়গী খদাং কৌইশিং ককখি।

'লাল অদু য়াম্না কন্না শোক্লখি, জিহাদিষ্টশিংনা সিটি অদুদা মাইন কয়া ফুল্লমখি' হায়না কর্দিশ ছোর্স অমনা এ এফ পিদা হায়খি। ইরাই নুমিৎতা এস দি এফকী ফাইটর অমা য়ুম অমদা চঙখি অমসুং মহাক্না কুরান অমগী মথক্তা খোঙউপ অমা লৈরম্বা উখি। মহাক্না খোঙউফতু লৌথোক্লুবা মতমদা পোকখায়রকখি অমসুং মহাক খুদক্তা শিখি' হায়না ছোর্সশিংনা হায়খি।

লমদম অদুগী মীওই অমনা এ এফ পিদা হায়খি, মফমদুদা মাইন ফুমদবা য়ুম অমত্তা লৈতে। 'ঐখোয়না মরী লৈনবা মীওইশিংদা মাইনশিংদু লৌথোকখিনবা করিগুম্বা খরা তৌনবা হায়খি হায়না জমল অব্দুল অবাবিয়ানা হায়খি। মাইনশিং অদুনা নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়া অশোক-অপন নংহল্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

'ঐখোয় হৌজিক আই এসকী মখুৎতগী লিবরেট তৌরবা মনবিজগী মনুংদা লৈরে' ঐখোয়না মীচমশিংবু খুদোংথীবা নংলোইদবা মফমশিংদা পুবীরি' হায়না এস দি এফকী নুপী ফাইটর অমা ওইরিবা য়েরুজ সেরেকাসিয়েনা হায়খি।

# ন্যু য়োর্ক সিটিগী মোস্ক মনাক্তা ইমাম, তেংবাংলোই কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৪ ঃ

ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা মোস্ক অমগী লিদর অমসুং তেংবাঙলোয় অমা থাংজ নুমিৎতা নুংথিল পোবোপ্তা লাই খুরুম্লবা মতুং থোক্লকপদা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।



মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা পুলিসনা হায়খি, মশাগী চহী ৫৫ শুরবা ইমাম মৌলানা অকোনজী অমসুং মহাক্কী চহী ৬৪ গী তেংবাঙলোয় (এসোসিয়েট) টারা উদ্দিন নুংথিল পুং ২ তারমদাইদা মখোয়না ক্বিন্সকী ওজোন পার্ক সেক্সনদা লৈবা অল-ফুরকন জমে মসজীদতগী থোকখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদবীদা লুখমদা নোংমৈনা কাপ্লম্বনি। মখোয় অনীমক তুংদা শিরে হায়না লাউথোকখি হায়না জমাইকা হোস্পিটালগী এদমিনিষ্ট্রেটর অমনা হায়খি।

পুলিসনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মীহাৎশিং অদুগী চিংনবা য়াবা পান্দম খঙবা ঙমদ্রি অমসুং মখোয়নি মুস্লিম ওইবগীদমক্তা হাৎখিবনি হায়না থাজবা য়াবগী মরমসু ফংদে। চিংনবা মীওই অমত্তা ফাদ্রি।

'অহানবগী ওইনা থিজিন-হুমজিনবদা মখোয় মখোয়গী লাইনিং লাইশোলগী লম্বীগা মরী লৈননা হাৎখিবনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ লৈতে' হায়না ন্যু য়োর্ক পুলিস দিপার্টমেন্টগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর হেনরি সাউটনরনা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং মোস্ক অদুনা কোল্লিবা বাংলাদেশকী কম্যুনিটিগী মীওইশিংনা হায়খি মদুদি, মখোয়না নোংমৈ কাপ্পুনা মী হাৎপগী থৌদোক অদু হেট (তুক্কচবদগী চথবা) ক্রাইম অমনি হায়না লৌহন্নিংই।

নোংমৈ কাপফম অদুদা থাংজগী নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা শরুক য়াখিবা মীওই কয়ানা 'ঐখোয়না অচুম্বা ৱায়েল পামই' হায়না লাউখি।

মোস্ক অদুদা লাই খুরুম্বা লাকখিবা শহীন চৌধুরিনা হায়খি, হন্দক কাঙলুপ অদুগী মীওইশিংদা অতৈনা নুংঙাইতবা মিৎয়েংনা য়েংবা হৌরকখি। মখোয়না মোস্কতু ফাওদুনা চৎপা মতমদা মীশিংনা মখোয়দা থিনা ঙাঙবা য়াওখি। মহাক্না মহাক্কী কাঙলুপকী মীওইশিংদা চৎপা মতমদা চেকশিন্নবা, মরু ওইনা চৎনবীগী ফিজোলশিং চেৎ-চাদুনা চৎপা মতমদা চেকশিন্নবা পাউতাক পীখি।

মহাক্না ইমাম অদু কোরান পাবা মতমদা থোইদোক্লা তাবদা নুংঙাইহনখিবা 'অঙকপা মীওই অমনি' হায়না শিংথাখি। অতোপ্পা মোস্কতা লাই খুরুম্বা লাকপা মিল্লট উদ্দিন কৌবা মীওই অমনা হায়খি, মহাক্না মখোয়গী কাঙলুপতা টার্গেট তৌরক্লব্রা হায়না খল্লি' হায়না টারা উদ্দিনগদি মরী লৈনদবা উদ্দিননা হায়খি।

উদ্দিননা হায়খি, অকোনজীনা মোস্ক অদুবু চহী অনীরোম লুচিংদুনা লাকখি। মহাক য়াম্না শেংনা চৎপা মীওই অমনি। 'মফম অদুগী মুস্লিম লাইনিং চৎপা বাংলাদেশ কম্যুনিটি অপুম্বা মীহাৎ অদুনা থম্মোয় কায়হল্লে'। মসি য়াম্না অৱাবগী মশক্নি। কম্যুনিটি অসিগী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি। সোসাইটিগী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# নুপা অমনা পেসেঞ্জরশিংদা এটেক তৌখ্রে

বর্ন, ওগষ্ট ১৪ ঃ

ঙরাং নুংথিল সেন্ট গালেন কেন্টনদা চহী ২৭ কী স্বীশ নুপা অমনা ট্রেন অমদা পেসেঞ্জর কয়ামুক্তা এটেক তৌখ্রে। মহাক্না এটেক অদুদা থাং অমা শিজিন্নখিবগা লোয়ননা মৈ হৌগনবা মহী অমা মৈ থাখিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরি।

মীওই তরুক থাংফম লৈনা শোকখি নৎত্রগা মৈ ৱাইবগী মফমশিং লৈরমখি। মখোয়শিং অদুদি চহী ১৭ কী নুপা অমা, চহী ৫০ গী নুপা অমা, চহী ১৭, ৩৪ অমসুং ৪৩ গী নুপী অহুম অমসুং চহী তরুকশুবদা ঙায়রিবা অঙাং অমনি। থৌদোক অদুদা এটেক্কর অদুসু শোকখি হায়রি।

ভিক্টিম কয়া অখন্নবা মৈ চাকপগী লায়েং চথফম ক্লিনিক অমদা পায়শিনখ্রে অমসুং মীওই অমদি অরুবা ফীভমদা লৈরি। অশোকপা খরগী ফীভম উবদা মখোয়শিং অদু ৱাহং পাউহং তৌবা য়াবগী ফীভম ওইদে হায়রি। ট্রেনদুদা প্লেটফোর্ম অমদা খাম্বা মতমদা পেসেঞ্জর অমনা এটেক্কর অদু ট্রেনদুদগী চিংথোকখিবগা লোয়ননা কা হেন্না ফীভম শোক্লমগদবদগী কনখ্রে হায়না সোন্টাগস ব্লীক ন্যুজপেপরগী পাউনা হায়রি।

# ফিলিপিন্সকী ঈচাউদা মীওই ৫ শিখ্রে, মীওই লিশিং কয়া লাঞ্জেন্নখ্রে



মনিলা, ওগষ্ট ১৪ ঃ নুমিৎ কয়ানিমুক নোং লেপ্তুনা চুবদগী ফিলিপিন্সতা মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং মীওই লিশিং কয়া ঈচাউ থোক্লবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঙসি ফোঙদোক্লি।

সিভিল দিফেন্সকী ওফিসিয়েলশিংনা মনিলা অমসুং মনাক নকপা প্রোভিন্সশিংগী মীওইশিংদা মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা নোং হেন্না কন্না মখা তানা চুরকখিগনি হায়না চেকশিন-ৱা পীখি। মীওই ২৪,০০০ হেন্না স্কুলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিংদা চঙজফম লৌখ্রে।

'হৌজিক অনেম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিল্লক্লবা য়াই হায়না পানরি' হায়না নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এণ্ড মেনেজমেন্ট কাউন্সিলগী স্পোক্সপার্সন রোমিনা মারাসিগননা এ এফ পিদা হায়খি।

'ঈচাউগী লাঞ্জেন্নফম সেন্টরশিংদা লৈরবা মীওইশিংনা নোং-চীংগী ফীভম ফগৎলকপা উদ্রিফাওবা মখা তানা সেন্টরশিং অদুদা লৈগদবনি' হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ময়ুমদগী শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লখিবশিংদুগী মনুংদা মনিলাদা লৈবা মীওই ৯,০০০ লোম য়াওরি। মখোয়শিং অদু থাংজ নুমিৎতা মরিকিনা তুরেলনা ঈচাউ থোকহনবদগী ময়ুম-মকৈশিং থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবনি।

কাউন্সিল অদুনা হায়খি, ঈশিং ঈচাউদ্দা ৱালশিং নিঙ্খ্রায়রকপদগী মনিলাগী স্লমশিংদা লৈবা মীওই অহুম নন্দুনা শিখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ময়ায় থংবা ঈথৎ পানায়দা ঈচেল কন্না চেনবা তুরেল অমা লান্নবা হোৎনরুবদা নুপা অমা ঈরাক্লন্দুনা শিখি। ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিৎতা মনিলাগী কেনেল অমদগী অশিবা হকচাং অমা ফংখি। মীওই অদু করম্না শিখিবনো হায়বদু খঙনবা থিজিনবা চঙলি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা ময়ায় থংবা ঈথৎ মেদিনদুকীগী মনাক নক্না ঈশিংদা ঙামী অমা থিবা খঙখিদ্রে লোয়ননা ইরাই নুমিৎতা মনিলাগী নোংপোক্তা হায়ৱে অমদা মীওই অমা চীংথক্তগী নুঙ তারকপদা শোকখ্রে হায়না কাউন্সিলনা ফোঙদোকখি। অপুনবগী ওইনা পাবদা অয়াম্বা মীশিংনা ময়ুমদা লৈনরবসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই ৭০,০০০ হেন্না ময়ুম-মকৈশিং থাদোকহনখ্রে হায়না কাউন্সিলনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা ফিলিপিন্সকী নোংচুপ থংবা সেক্সনসু নোং কন্না চুবদগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, স্কুল কয়া থিংজিনখ্রে অমসুং দোমেষ্টিক কমর্সিয়েল ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখ্রে।

# য়েমেনগী স্কুলদা আরব কোলিসনননা রেইদ চথবদা অঙাং ১০ শিরে



সানা, ওগষ্ট ১৪ ঃ রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা লৈবা নোরদর্ন য়েমেনগী প্রোভিন্স অমদা সাউদিনা লুচিংদুনা স্কুল অমদা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথবদা অঙাং ১০ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২৮ শোকখ্রে হায়না দোক্টরস ৱিদাউট বোর্দরস (এম এস এফ) না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

'ঐখোয়দা অশিবা অঙাং ১০ অমসুং অশোকপা অঙাং ২৮ পুরকখি। মখোয় চহী ১৫ গী মখা ঙাক্তনি, সাদা প্রোভিন্সকী হেদনদা কোরানিক স্কুল অমদা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথরকখিবদা শিখিবা অমসুং শোকখিবা ঙাক্তনি' হায়না এম এস এফকী স্পোক্সপার্সন মালাক শহেরনা হায়খি। এটেক অদু থাংজ নুমিৎতা চথখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

শহেরনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, এম এস এফনা অঙাংশিং অদু স্কুলদুগী মনাক্তা লৈবা ফিল্ড হোস্পিটাল অমদা ওকখি। মখোয়বু পব্লিক হোস্পিটাল অমদা অমুক ট্রান্সফর তৌখি।

হুথিগী স্পোক্সমেন মোহম্মদ অব্দুল সালামনা হায়খি, ৱার প্লেনশিং অদুনা জোমা বিন ফাধেল স্কুলগী অঙাংশিংদা টার্গেট তৌখি। মহাক্না মদু খ্বাইদগী ফৎত্রবা ক্রাইম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন এজেন্সি, য়ুনিসেফনা এটেক অদুবু কনফার্ম তৌখি অমসুং হৌখিবা চয়োল অসিদা লৈবাক অদুদা হাৎন-শুনবগী ঈরাংশিং কনখৎলকপদগী এয়র ষ্ট্রাইকশিং, ষ্ট্রীট ফাইটিং অমসুং লেন্দমাইননা হাৎখিবা অমসুং শোকহনখিবা অঙাংশিংগী মশিং খঙহেন-হেনগৎলক্লে' হায়না চেকশিন-ৱা পীখি।

'য়ুনিসেফনা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা শরুক য়ারিবা পার্টি খুদিংমক্তা ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা চৎনবীশিং ইকায় খুম্নবা অমসুং ঙাক্লবা আপিল তৌরি' হায়না এজেন্সিনা হায়খি।

'মসিগী আপিল অসিদা লানদা শরুক য়ারিবশিংদমক টার্গেট তৌনবা অমসুং মীচমশিং অমসুং মীচমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অমাঙ-অতা থোকহনবা হন্থহনবগী ৱাফম য়াওরি।'

হৌখিবা চহীদা য়েমেনদা শিখিবা অঙাং ৭৮৫ গী চাদা ৬০ সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা থোকহনখিবনি হায়বা য়ু এনগী রিপোর্ট অমগী মতুংদা কোলিসন অদুবু ব্লেকলিষ্ট তৌনবা হৌখিবা জুনদা লৌখিবা ৱারেপ অমদা সাউদি অরাবিয়ানা খোয়রাং খোয়শাওননা রিএক্ট তৌখি।

ব্লেকলিষ্টকী ৱাফমদুদগী সাউদি অরাবিয়ানা য়ু এনগী এইদ প্রোগ্রামদা ফন্দ থাদবা লেপকনি হায়না বিহল্লি হায়না য়ু এন চীফ জন কি-মূননা সাউদি অরাবিয়াবু মরাল শীখি। য়ু এন চীফকী চার্জ অদু সাউদি অরাবিয়ানা য়াখিদে। হৌখিবা চহীগী মার্চতগী কোলিসন্না এয়র কেম্পেইন হৌখিণ্ডেগী য়েমেনদা অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা মীওই ৬,৪০০ হেন্না শিখ্রে হায়না য়ু এননা হায়রি।

# টামিল ৮ হাৎখিবা শ্রীলঙ্কাগী লান্মী অমা ঙাকপীনবা এম পি অমনা তকশিনখ্রে

কলম্বো, ওগষ্ট ১৪ ঃ চহী ১৬ কী মমাঙদা টামিল ৮ হাৎখিবগীদমক্তা কনভিক্ট তৌরবা শ্রীলঙ্কাগী লান্মী অমা ঙাকপীনবা শ্রীলঙ্কান পার্লিয়ামেন্টরিয়ন জয়ান্টা সামারাৱীরানা আপিল তৌখ্রে।

কালুটারা দিষ্ট্রিক্টকী এম পিনা হায়খি, মালেম শিন-থুংনা ঙাওনখিবা মিরুসুভিলগী মেসাকরগা মরী লৈননা শিবগী চৈরাক মায়োক্লদুনা লৈরিব সার্জেন্ট রটনারকে অসি থাদোকপদা মতীক চাবা 'লানগী হিরো' অমনি।

লান্মী অদু হৌখিবা চহীদা কনভিক্ট তৌখিবনি। মীওই নিপান পুল্লপ হাৎখিবগী থৌদোক অদু কুমজা ২০০৯ গী দিসেম্বর ১০ দা লৈবাক মনুংদা লালনা মরম ওইদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লিবা টামিল মীচম ৮ শ্রীলঙ্কান মিলিটরিনা মিরুসুভিল, জফনাদা ফাখিবা মতুংদা থোকখিবনি।

মথংগী নুমিৎতা মীওই নিপানদুগী অশিবা হকচাংশিং অদু অশিবা ময়ামগী মোংফম অমদা মখোয়গী মঙকশিংদু থাংনা লেনখিবগী মমিশিংগা লোয়ননা থেংনখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসরগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টনা হায়খি। মীওই অনীখক নত্তনা অতৈ মীওইশিংদি মফি থোংদনা লৈরমখি। হাৎখিবশিংদুগী মনুংদা খ্বাইদগী চহী নৌবা মীশক্তু চহী ৫ গী অঙাং অমা ওইখি।

শাথিরবা থৌদোক অদুদা হিংহৌখিবা অমসুং আর্মিদগী চেল্লকখিবা পোন্নাটুরাই মহেশ্বারননা কোর্টতা মহাক্কী ৱারোল পীখি অমসুং থৌদোক্তুদা চেন্নখিবা লান্মীশিংদুগী মনুংদগী য়ামদ্রবদা মঙাগী মশক তাকখি। মতম শাংনা চথখিবা কোর্টকী প্রোসেস অমগী মতুংদা সার্জেন্ট ৱাটনায়কেদমক কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখি। মহাক শ্রীলঙ্কান মিলিটরিগী এলিট লোং রেঞ্জ রিকোনিসন্স পেট্রোল (এল আর আর পি) গী মেম্বর অমনি। অতৈ মীওইশিং অদুনদি কোর্টনা মরালশিং কোকপীখি।

কোর্টনা লান্মী অদুবু শিবগী চৈরাক পীখ্রবসু এম পি সামারাৱীরানা মহাকপু থাদোক্লবা হনবা লৈতনা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখি। মহাক্না লান্মী অদু এল টি টি ঈবু থেংনবদা লৈবাক অদুগীদমক্তা পাঙথোকফম থোকপা থৌদাংশিং পাঙথোকখিবা লান্মী অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিনহানা লান্মী অদুবু শিবগী চৈরাক অদুদগী কন্নবা হোৎনরিবসি লোমেকর অদুদা নৎত্রি, লান্মী অদুগী থৱায় কন্নবা হাংখিবা ফেসবুক পেজদা মীওই লিশিং কয়ানা হাংবা নুমিৎমক্তদা মহাকপু মথৱায় কনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি।




HL-B/3200/18/07-17/08

## EMPLOYMENT NEWS

### RSMSSB Recruitment 2016

Rajasthan Subordinate & Ministerial Services Selection Board (RSMSSB), Jaipur invites application for the post of 204 Livestock Assistant. Apply Online before 27 August 2016.
Advt No : 02/2016

**Job Details :**
Post Name : Livestock Assistant
No. of Vacancy : 204 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Eligibility Criteria for RSMSSB Recruitment :**
Educational Qualification : Senior Secondary with physics, Chemistry and Biology OR Horticulture (Agriculture), Animal Husbandry and Biology from the Board of Secondry Education Rajasthan or Eqivelent and one year/ two year Training of Livestock Assistant.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Years as on 01.01.2017
Age Relaxation :
For SC/ ST/ OBC/ Special BC & General Female candidates : 5 years

For all Reserved categories Female candidates : 10 years

Job Location : Rajasthan

Selection Process : The examination scheme for recruitment shall consist of Preliminary Exam & Main Exam both an objective type examination.
Application Fee: Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.650/-and Rs.450/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.350/- for SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.

**How to Apply RSMSSB Vacancy :** Candidates are required to apply online through website rsmssb.rajasthan.gov.in from 27.07.2016 to 27.8.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 27.08.2016
Last Date for Payment of Fee : 27.08.2016
Important Links : Detail Advertisement Link : http://www.rsmssb.rajasthan.gov.in/Static/files/Live_Stock_Assistant_Exam_(Scheduled_Area)_Exam_2016_full_Advertisment.pdf
Apply Online : http://recruitment.rajasthan.gov.in/recruitment/recruitmentservlet

### Join Indian Army Recruitment – SSC (T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course (170 Vacancies) – Last Date 24 August 2016

Indian Army invites Application from married/unmarried Male and unmarried Female Engineering Graduates for Grant of Short Service Commission into SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Women Course commencing in April 2017 at Officers Training Academy (OTA), Chennai, Tamil Nadu. Apply Online before 24 August 2016.

**Job Details For Indian Army :**
Post Name : SSC(T)-48 Men and SSCW (T)-19 Course
No. of Vacancies : 170 (Men – 150 Posts & Female – 20 Posts)

**Engineering Streams wise Vacancies :**
Civil : Men – 36 Posts & Female – 06 Posts
Mechanical : Men – 10 Posts & Female – 05 Posts

**Electrical/Electrical & Electronics :**
Men – 16 Posts & Female – 05 Posts

Aeronautical/Aviation/Aerosp ace/Ballistics/Avionics : Men – 10 Posts

Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/M.Sc (Computer Sc) : Men – 23 Posts

Electronics & Telecommunication/Telecom munication/ Electronics & Communication/ Satellite Communication : Men – 22 Posts & Female – 04 Posts

Electronics /Opto Electronics/Fibre Optics/Micro Electronics & Microwave : Men – 11 Posts

Industrial : Men – 01 Post

Automobile /Workshop Technology : Men – 02 Posts

Metallurgical : Men – 02 Posts

Electronics & Instrumentation/Instrumentation : Men – 02 Posts

Architecture/Building construction Technology : Men – 03 Posts
Food Tech/Bio Tech/Bio Medical Engg : Men – 02 Posts
Chemical Engg : Men – 02 Posts
Production Engg : Men – 04 Posts
Remote Sensing : Men – 02 Posts
Transportation Engg : Men – 01 Post
Laser Tech : Men – 01 Post

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Candidates who have passed Engineering Degree or are studying in the final year examination of Engineering course are eligible to apply and should also be from recognized College/University of India.
Nationality : Indian
Age Limit : 20 to 27 years as on 01 Apr 2017. (Candidates born between 02 Apr 90 and 01 Apr 97) (Both dates inclusive)
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**
Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 27.07.2016 to 24.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 27.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 24.08.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_21_1617b.pdf
Detail Advertisement & Application Form Link : http://164.100.47.132/JRCell/Module/Notice/216Security%20Assistant.pdf